# জপান অমসুং আই ও সিনা মথং চহীগী ওলেম্পিক গেমস জুলাই ২৩ দগী পাঙথোকপদা য়ান্নরে : রিপোর্ট




*টোকিও, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
জপানিজ ওর্গনাইজরশিং অমসুং ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস জুলাই ২৩ গী পাঙথোকপদা য়ান্নরে হায়না জপানগী কিয়োদো ন্যু এজেন্সিদা রিপোর্ট তৌরি।

চহী অসিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি মালেমগী মফম কয়াদা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা অকিবা পোকহল্লকপদগী মালেমগী শান্নবগী বোদি কয়ানা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিদা গেমস অসি য়ৈথোক্নবগী অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখিবনি।

প্রেসরশিং অসিগী মতুং ইন্না টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিং অমসুং আই ও সিগী ওফিসিয়েলশিংগা কুপ্না খন্নরবা মতুং ফিভম অসিদা গেমস অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা য়াবগী মমিং উখিদবদগী মথং চহীদা য়ৈথোকখিবনি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকখিবা অসি মোর্দন ওলেম্পিক্সকী পুৱারীদা চহী ১২৪ গী মনুংদা অহানবা ওইরিবনি। গেমস অসি য়ৈথোকখিবনা জপান্দা অচৌবা শাফু অমা পীখি। গেমস অসি পাঙথোক্লবগীদমক জপান্না য়ু এস দোলর বিল্লিয়ন ১৩ ইনভেষ্ট তৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা গেমস অসিগীদমক দোমেষ্টিক স্পোন্সরশিংনা ইনভেষ্ট তৌখিবা শেনফমসু য়ু এস দোলর বিল্লিয়ন ৩ য়ৌখ্রবনি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী চীফ একজিক্যুটিভ টোসিরো মুটোনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ২০২০গী গেমস অসিগীদমক মাঙজৌননা টিকেট লৌখ্রবশিংনা গেমস অসি মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবনিনা টিকেট লৈখিবগী শেনফমশিং অদু রিফন্দ তৌনবা শেম শারে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ঐখোয়না টোকিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক মাঙজৌননা টিকেট লৈখ্রবশিংবু ইকুই খূম্নবা উৎলি, মখোয়গী নিংবা কায়হল্লোই হায়না ঙসি পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা টোসিরো মুটোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকখ্রবনিনা এদিস্নেল কোষ্টশিং অদুগী মতাংদা হায়বা হৌজিক্তি ঙনমল্লি হায়না মুটোনা মখা তাখি। কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা এঠলেটশিং অমসুং মালেমগী শান্নবগী বোদি কয়ানা আই ও সি অমসুং জপান লৈঙাক্তা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী টোকিও গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকখিবনা জিমনাষ্ট দিপা করমাকরদা অনৌবা মঙাল অমা ফংহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মথং চহীদা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসনা ইন্দিয়াগী নুপী জিমনাষ্ট দিপা করমাকরদা ওলেম্পিক্স শরুক য়াবগী অনৌবা মঙাল অমা ফংহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী জিমনাষ্ট দিপা করমাকর ওলেম্পিক্কী ক্বালিফিকেসনগীদমক শেম শারি। মহাক খুউগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ কয়া য়াওবা ঙমদনা লাকখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬ কী রিও ওলেম্পিক গেমসতা দিপা করমাকর য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখ্রবসু মরিশুবা পোজিসন তাহৌদুনা মেডল ফংবগী তাঞ্জা অদু মাঙজখিবনি। মহাক কুমজা ২০১৭ দগী খূউদা নারকপদগী এন্টরিয়র ক্রুসিয়েট লিগামেন্ট (এ সি এল) গী লায়েং চথদুনা লাকখিবনি। এ সি এলগী অনাবা অসি খূউগী জে াইন্টশিং শম্নগদৌরিবা লিগামেন্ট শোকপদগী ওইহল্লকপনি।

মহাক্কী অনাবা অদু খরা ফগৎলক্লবা মতুং কুমজা ২০১৮ দা বাকুদা পাঙথোকখিবা আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক্স ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখি। অদুবু মহাক্কী অনাবা অদু অমুক হৌরকপদগী ৱিদ্রো তৌখি। মসিগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯ গী ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা আর্টিষ্টিক জিমনাষ্টিক্স চেম্পিয়ন্সিপসু শুক য়াবা ঙমখিদবনি।



সিজন অমদা ৱার্ল্ড কপ ৮ পাঙথোক্কদবনি, ৱার্ল্ড অনী হৌজিক পাঙথোক্কদবা লৈরি। অমদি মার্চ থাদা পাঙথোক্কদবনি অদুবু কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা জুন থাদা য়ৈথোকখ্রে হায়না করমাকরনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি। ঐহাক্না ৱার্ল্ড কপ অনী শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরে হায়খি।

মতম কুইনা দিপা করমাকরগী কোচ ওইরক্লবা বিস্বেশ্বর নন্দিনা ফোঙদোকখিবদা টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়ৈথোকখিবনা করমাকরদা ওলেম্পিক্সকী অনৌবা মঙাল অমা পীরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ

(রেজিষ্টার ওফিস: থার্দ ফ্লোর, ন্যু দাইরেক্টোরেট বিল্ডিং, নিয়ার সেকেন্দ এম আর গেট)
ইম্ফাল–ডিমাপুর রোদ, ইম্ফাল, মণিপুর

CIN: U40101MN2013SGC008343 Imphal, the 27th March, 2020

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) গী ওইনা কম্মিসন্না এপ্রুভ তৌরবা টারিফ সেদ্যুলগী সম্মরি অমদি ০১.০৪.২০২০ দগী চৎনবা হৌরগদবা :

এ) এফ ৱাই ২০২০–২১ গী এপ্রুভ সবসিদাইজ টারিফ :

টেবল ৮.১০: কম্মিসন্না এফ ৱাই ২০২০–২১ গী ওইনা এপ্রুভ তৌরবা সবসিদাইজ টারিফ

| সে নম্বর | কঞ্জ্যুমর কেটেগোরি (এফ ৱাই ২০১৯–২০) | লৈরিবা টারিফ | | এপ্রুভ সবসিদিয়ারি টারিফ | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | ফিক্স চার্জেস (পি এম) | ইনর্জি চার্জেস লুপা / কে দব্লিয়ুঐচ | ফিক্স চার্জেস (লুপা / থাদা) | ইনর্জি চার্জেস লুপা / কে দব্লিয়ুঐচ |
| | এল টি সপ্লাই | | (লুপা / কেদব্লিয়ুঐচ / পিএম | | লুপা / কেদব্লিয়ুঐচ / পিএম |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | | | |
| | ওল য়ুনিট (অপটু ৪৫কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ২৫ / (কনেক্সন) | ১.৮৫ | ২৫ / (কনেক্সন) | ২.০০ |
| ২ | দোমেষ্টিক | | | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৩.৯০ | ৬০.০০ | ৪.২০ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৫.২০ | ৬০.০০ | ৫.৫০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৬.০০ | ৬০.০০ | ৬.৪০ |
| ৩ | নন–দোমেষ্টিক / কম্মরসিয়েল | | | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৫.৪০ | ৮০.০০ | ৫.৮৫ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৬.৫০ | ৮০.০০ | ৬.৯০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৭.৬৫ | ৮০.০০ | ৭.৪৫ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫.০০ | ৭.০০ | ৬৫.০০ | ৮.৫০ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০.০০ | ৭.২৫ | ১০০.০০ | ৮.৭০ |
| ৬ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ৬০.০০ | ৩.৯০ | ৬০.০০ | ৪.২০ |
| ৭ | স্মোল ইন্দষ্ট্রি | ৬৫.০০ | ৪.১০ | ৬৫.০০ | ৪.৪০ |
| | ঐচ টি সপ্লাই | লুপা /কেভিএ /পিএম | লুপা /কেভিএঐচ | লুপা /কেভিএ /পিএম | লুপা /কেভিএঐচ |
| ১ | কম্মরসিয়েল | ১০০.০০ | ৭.৬০ | ১০০.০০ | ৮.১০ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০.০০ | ৬.৭৫ | ১০০.০০ | ৮.৩০ |
| ৩ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ১০০.০০ | ৩.৬০ | ১০০.০০ | ৪.৪০ |
| ৪ | মেদিয়ম ইন্দষ্ট্রি | ১০০.০০ | ৫.৩০ | ১০০.০০ | ৫.৭০ |
| ৫ | লার্জ ইন্দষ্ট্রি | ১০০.০০ | ৬.৬০ | ১০০.০০ | ৭.১০ |
| ৬ | বল্ক সপ্লাই | ১০০.০০ | ৫.৯০ | ১০০.০০ | ৬.৪০ |

বি) এপ্রুভ ফুল কোষ্ট (এফ সি টি)

টেবল ৮.৩০: কম্মিসন্না এফ ৱাই ২০২০–২১ গী ওইনা এপ্রুভ তৌরবা কেটেগোরিশিংগী ওইবা ফুল কোষ্ট টারিফ (হায়বদি সবসিদি য়াওনা)

| সে নম্বর | কেটেগোরি অমদি কঞ্জ্যুমর স্লেব | ফিক্স চার্জেস লুপা / থাদা | ভেরিএবল চার্জেস (লুপা / কেদব্লিয়ুঐচ নৎত্রগা কেভিএঐচ |
|---|---|---|---|
| | লো টেন্সন সপ্লাই | | |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | |
| | ওল য়ুনিট (অপটু ৪৫কেদব্লিয়ুঐচ / থাও | ২৫। (কনেক্সন) | ৬.৮৫ |
| ২ | দোমেষ্টিক | | |
| | এ) ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৭.০০ |
| | বি) নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৮.২০ |
| | সি) অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৮.৫৫ |
| ৩ | নন–দোমেষ্টিক / কম্মরসিয়েল | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.১০ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.৭০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.৮৫ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫ / কেভিএ | ৯.৯৫ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০ / কেভিএ | ৯.৭৫ |
| ৬ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ৬০ / কেভিএ | ৮.৮০ |
| ৭ | স্মোল ইন্দষ্ট্রি | ৬৫ / কেভিএ | ৭.৮০ |
| | হায় টেন্সন সপ্লাই | | |
| ১ | কম্মরসিয়েল | ১০০ / কেভিএ | ৮.০৫ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০ / কেভিএ | ৮.৬০ |
| ৩ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ১০০ / কেভিএ | ৭.৯৫ |
| ৪ | মেদিয়ম ইন্দষ্ট্রি | ১০০ / কেভিএ | ৭.৮৫ |
| ৫ | লার্জ ইন্দষ্ট্রি | ১০০ / কেভিএ | ৮.৩০ |
| ৬ | বল্ক সপ্লাই | ১০০ / কেভিএ | ৯.০০ |

নোট ১) এফ ৱাই ২০২০–২১ গী এগ্রিগেট রিভিন্যু রিক্বারমেন্ট এপ্রুভ তৌবগা লোয়ননা মণিপুরগী মনুংদা পৱার সপ্লাই তৌবগী চাংচৎতা চঙবা শেনফম অসি য়ুনিট অমদা লুপা ৯.০৭ নি অদুগা মপুংদা চাংচৎতা সবসিদাইজ টারিফ অসি (হায়বদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী সবসিদি ফংলবা মতুংদা) য়ুনিট অমদা লুপা ৬.৪৩ নি। মসি এফ ৱাই ২০১৯–২০ গী হৌজিক লৈরিবা টারিফতগী চাদা ৯.০৪ হেনগৎলবনি। ফুল কোষ্ট টারিফ অসি চাংচৎতা লুপা ৯.০৭ সু উৎলে অদুগা এম এস পি দি সি এল মণিপুরনা টারিফ ওর্দরগী পারা ৭.২১ গী মতুং ইন্না সবসিদি ফংদ্রবদি ফুল কোষ্ট টারিফঅসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াই। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পন্দুনা লৈবা সবসিদি মতুংগী থা / থাশিংদা থাদোক্লবদি ফুল কোষ্ট টারিফনা মরম ওইদুনা লৌখিবা অহেনবা চার্জশিং অদু সবসিদি হেক থাদোক্লকপা মতুংগী থা / থাশিংগী বিলদা হন্দোক্কনি।

২) মথক্কী টেবলশিং অসিদা ফিক্স অমদি ইনর্জি চার্জশিং খক্তমক উৎপনি। এফ ৱাই ২০২০–২১ গী অকুপ্পা টারিফ সেদ্যুলগীদমক www.mspdcl.info OR www.mspdcl.com দা য়েংবিয়ু।

Sd/-
(H. Shantikumar Singh)
Managing Director, MSPDCL

SL/B/30, 31 & 1st April

# এসিয়া কপ মপুং ফানা পাঙথোক্কনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম হৌজিক ফোঙদোকপা ঙমদ্রি: বি সি সি আই

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
২০২০ এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মপুং ফানা পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাফম হৌজিক ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমদ্রি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেম অসিদা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরম কয়া হৌজিক লেপ্পুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা স্পোর্টস এক্টিভিটিজশিংসু লাক্লিবা থা ৬ রোমদি লেপকনি হায়না পানরি।

বি সি সি আইগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়া কপ অসি হৌজিক পাঙথোকপা য়াবগী খূদম ফংদ্রি। ঐখোয়না টুর্নামেন্ট অসিদা অচৌবা পান্দম থল্লি। কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ত্রেনিং তৌগদবা কয়া অমদসু খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। এসিয়াগী টিমশিং অসিসু আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ঙাক্তনি। আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসি চহী অসিগী অরোইবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবনি।

কোভিদ–১৭ গী লায়চৎ অসিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা হান্না লৈরম্বা ক্রিকেট সেদ্যুলশিংদা চাওনা অকায়বা পীরি। মরম মসিনা এসিয়া কপ পাঙথোক্লবা হোৎনবদসু খুরৌ থাংলি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ক্রিকেটকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থবক কয়া অমসু পাঙথোকপা ঙমদনা লাকপদগী ইকোনোমীদসু চাওনা অকায়বা পীরক্লি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মালেমদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি হেন্না শোকচিল্লকপদগী চহী অসিদা পাঙথোক্কনি তৌরবা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু মথং চহীদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবনি। লোয়ননা মালেমদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টি–২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) গী সিজন ১৩ সু মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রবনি।

মালেমগী স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিংসু ফিভম অসিদা করিসু তৌবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা বি সি সি আইনা তৌগদবা থবক কয়া অমসু পন্দুনা লৈরে হায়না বোদি অসিগী ওফিসিয়েল অমদা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা এসিয়া কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওইগদৌরিবা পাকিষ্টানগী ক্রিকেট বোর্দকী চীফ ইহসান মানিনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়ান ক্রিকেট কাউন্সিলদা টুর্নামেন্ট অসি করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বা চপ চানা লেপ্পা ঙমদ্রি।

মানিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসি করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়াবা লেপ্পা লৈত্রি। মসিগী মতাংদসু খন্নবা লৈত্রি, খন্ননিংঙাই করিসু লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি। এ সি সিগী পোলিসিগী মতুং ইন্না ওফিসিয়েল হোষ্টিং রাইট অসি পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা ওইরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, এসিয়া কপ অসি ন্যুত্রেল ভেন্যুদা পাঙথোক্তবা তারবনি বি সি সি আইনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং পাকিষ্টান্দা থারোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌনবগী এ সি সিনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা দুবাইদা মিটিং পাঙথোক্লবা মতম লেপখি। অদুবু কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবনি। এ সি সিগী মিটিং অসি থা অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বনি অদুবু হৌজিক ফাওবা পাঙথোকপা লৈত্রি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ৱিম্বলদন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে

*বর্লিন, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ৱিম্বলদন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ওর্গনাইজরশিংনা য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না জর্মন টেন্নিস ফেদরেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট রির্ক হোরদোর্ফনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ওল ইংলেন্দ লোন টেন্নিস ক্লব (এ ই এল টি সি) গী ওফিসিয়েলশিংনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী জুন ২৯ দগী জুলাই ১২ ফাওবা পাঙথোকপগী সেদ্যুল লৈখ্রবা ৱিম্বলদন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসি মীয়াম য়েংহন্দনা পাঙথোক্লোই।

ৱিম্বলদনগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকপদা বোর্দ অসিগী মীফম য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা পাঙথোক্তুনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়না হোরদোর্ফনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঐহাকসু বোদি অসিগী মনুংদা য়াওরি। য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা বোর্দকী মীফম অসিদা ৱিম্বলদন য়ৈথোকপগী ৱারেপ শোয়দনা লৌরগনি হায়না থাজে। ফিভম অসিদা মসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বে লৈতে হায়না হোরদোর্ফনা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মে থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টসু য়ৈথোকখ্রবনি।

# বোক্সর মেরি কোমনা কোভিদ–১৯ থেংননবা লুপা লাখ অমা পি এম রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
সিক্স টাইম ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বোক্সর এম সি মেরি কোমনা লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লায়চৎ থেংননবা মহাক্কী থাগী তলবতগী লুপা লাখ অমা প্রাইম মিনিষ্টর নেসেনেল রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখ্রে।



কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি য়েংলগা ঐহাক্না থাগী তলবতগী লুপা লাখ অমা প্রাইম মিনিষ্টর নেসনেল রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌবা পাম্মী। মরম অদুনা ঐহাক্কী সেলরি দেবিদ একাউন্টতগী লুপা লাখ অমা ককপিনবা মেরি কোমনা বেঙ্কতা চিঠি ইদুনা খঙহনখিবনি।

কম্মনৱেল্‌থ গেমস অমসুং এসিয়ান গেমসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোম কুমজা ২০১৬ তা রাজ্য সভাগী এম পি ওইখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, এম সি মেরি কোম হন্দক্তা জোরদানগী কোনুং অম্মানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া / ওসিনিয়া ওলেম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়রদা মহাক সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টোকিও ওলেম্পিক ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি। অদুবু চহী অসিদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অদু কোরোনাভাইরসকী লায়চৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্লবগী য়ৈথোকখ্রবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপী সুট্টর মনু ভাকরনা হরিয়ানা ষ্টেটতা কোরোনাভাইরস লায়চৎ থিংননবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং ওইনা হরিয়ানা কেরোনা রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ অমা মতেং পাঙখ্রে।

হৌজিক্কী মতম অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী খন্দবা য়াদবা মতাং অদু লাক্লে। ঐখোয়না মখোয়বু কনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদবা থবক অমা ওইরি। মরম অসিনা ঐহাক্না হরিয়ানা কেরোনা কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ অমা মতেং পাঙলে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়াগী পেদ্দলর জি সাথিয়াননা কেরোনাভাইরস লায়চৎ থেংননবগীদমক তামিল নাদু সি এম রিলিফ ফন্দতা লুপা লাখ অমা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা লুপা লিশিং ২৫ মতেং পাঙখ্রে।

হৌজিক্কী মতম অসিদা নোংমগী চারা তাল্লিবা অমসুং মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অসিবু নীংথিনা য়েংশিনবা মথৌ তাই। মরম অসিনা মহাক্না মফম অনী থোক্না পৈশা মতেং পাঙখিবনি হায়না জি সাথিয়াননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# আই ও এনা মতেং পাঙগনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ (এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়া লৈঙাক্না হৌজিক কোরোনাভাইরস লায়চৎ থেংনরিবা অসিদা শৌগৎকনি অমসুং মতেং পাঙগনি হায়না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ) গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

আই ও এনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনেল ফেদরেসনশিং অমসুং ষ্টেটকী এফিলিয়েটশিংনসু মখোয়–মখোয়গী ঙমজবা মতেং পাঙনবা ৱাফমসু থল্লক্লি।

আই ও এগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিভ মেহতানা ফোঙদোকরকপদা অকিবগী মশক ওইরবা লায়চৎ অসিবু মপুং ফানা থেংনরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংবু থাগৎপা ৱাহৈসু ফোঙদোকখি।

আই ও এগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়ান গোল্ফ য়ুনিয়ননসু কোভিদ–১৯ থেংননবগীদমক শেলগী মতেং পাঙলগনি হায়রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লায়চৎ অসি লাকশিন্নবা এপ্রিল ১৪ ফাওবা লোকদাউন লাওথোকখ্রবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪৭৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | N | A | P | ■ | S | O | B | E | R | ■ | S | M | U | G |
| W | A | L | L | ■ | C | H | A | S | E | ■ | T | O | R | E |
| I | S | E | E | ■ | A | D | D | E | D | ■ | E | D | G | E |
| M | A | C | A | B | R | E | ■ | ■ | ■ | T | R | E | E | S |
| ■ | ■ | ■ | S | A | F | A | R | I | ■ | W | I | L | D | E |
| D | E | T | E | R | ■ | R | E | C | O | I | L | ■ | ■ | ■ |
| E | V | A | D | E | S | ■ | S | E | R | G | E | A | N | T |
| M | E | L | ■ | ■ | L | A | P | S | E | ■ | ■ | P | O | E |
| I | N | C | R | E | A | S | E | ■ | S | L | E | E | T | S |
| ■ | ■ | ■ | E | N | T | I | C | E | ■ | O | N | S | E | T |
| S | C | A | L | D | ■ | A | T | L | A | S | T | ■ | ■ | ■ |
| N | A | M | E | S | ■ | ■ | ■ | A | S | T | R | I | D | E |
| A | M | E | N | ■ | A | D | E | P | T | ■ | I | D | O | L |
| G | E | N | T | ■ | L | O | O | S | E | ■ | E | E | L | S |
| S | O | D | S | ■ | I | N | N | E | R | ■ | S | A | L | E |